ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০২৪শুবা মশীং

# মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন

## অথেঙবদা থোরকপা থাবল

থেংলবসু থেংনা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা অনৌবা অনীশুবা লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌখ্রে। এপ্রিল ১৬, ২০২২দা ৱাংহৌরিবা মিনিষ্টরিএল বর্থ ৬তা নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী এম এল এ ১ অমসুং বি জে পি মশাদগী এম এল এ ৫ পূন্না ৬ মিনিষ্টরশিং ওইনা গভর্ণরনা ৱাশক লৌহনখ্রে। অনৌবা অনীশুবা লৈঙাকসি মার্চ ২১, ২০২২দা অহানবা তাঙ্কক্তা চীফ মিনিষ্টরগা মিনিষ্টর ৫গা ৱাশক লৌখিবনি। অদুগা অহানবা তাঙ্কক্তা পূন্না ৱাশক লৌখ্রবশিংগী পোর্টফোলিওনা মার্চ ২৬, ২০২২দা লাউথোকখিবনি। অদুগা ৱাংহৌরিবা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা মপূং ফাবা লৈঙাক ওইহল্লকখ্রিবসি অহানবা ৱাশক লৌখিবা নুমিৎ ২৬নি কান্নরবা মতুংদনি। লৈঙাক ৱাশক লৌবসু মার্চ ১০, ২০২২দা ইলেক্সনগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১০নিগী মতুংদা লৌখিবনি। হায়বদি অনৌবা লৈঙাক ৱাশক লৌবা, পোর্টফোলিও য়েন্থোকপা অমসুং মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী থবক থৌরম পূম্নমকসি চাং নাইনা অদুম্মক থেংথ-থেংথনা পাঙথোরকখিবনা হন্দক্কী অনীশুবা লৈঙাকসি অথেংবদা থোরকপা নৎত্রগা ফরকপা থাবলগুম্বনি হায়বমক লৌবা য়াই। মসিগী মরম ময়াম শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনদি অসুম্মাইনা থেংথরক্লল্লোই হায়বা য়াই। লৈসু লৈফম থোকই। মরমদি অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা মশাগী সিট ৩২ ফংদুনা মেজোরিটি কম্মান্দ তৌদুনা লাক্লবা বি জে পিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৫গা ইন্দিপেন্দেন্ট অমখক্কা নত্তনা লেমহৌরিবা পূম্নমক্কা খুরুপ থাদুনা শৌগৎনরকখিবনি। বি জে পিগী মায়কৈদগী শৌগৎপীয়ু, চৎমিন্নসি হৌরক্তুবসু নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি), জনতা দল (য়ুনাইটেদ), কুকি পীপলস এলাইএন্স (কে পি এ) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ২না মখোঙনা থোংনা লাক্তুনা শৌগৎনরকখিবনি। অদুসু অন-কন্দিসনেল সপোর্টনি। হায়বদি অনৌবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টরিএল বর্থ পীরবসু য়াই/পীদ্রবসু য়াই হায়বনি। শৌগৎপদি শৌগৎলে হায়বনি। মসি হায়জরগসু শৌগৎনরক্লিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিং য়াওনা কে পি এ অমসুং এন পি পি অমদি জে দি (য়ু) গী মায়কৈদগী মিনিষ্টরিএল বর্থকীদমক অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোৎনখিদবদি নত্তে। মাগী মাগী নেসনল লিদরশিংদা অকনবা প্রেসর তৌনখি। মীয়াম্না লোয়নমক খঙন-উনখি।

অদুবু হোৎনজখিবা পূম্নমক নুংশিৎ মাইরম লশিং কাপ্পগী ফীভম তাহল্লকপগী থৌওংনা শৌগৎলুবা কাঙবুদা তাজবগী ৱানি। শামু মথুন্দা পেনা খোংবদৌনা থোক্লবসু শামুদি লেপ্তুনা, নোম্না-নোম্না অদুম্মক চৎলি, লেপত্রি। বি জে পিগী নেসনল লিদরশিং থোইদোক্লা তুং-মাং য়েংদবা অমসুং খন্থদবা লুচিংবশিং ওইরম্লোই। চাওখ্রবা লৈবাকসিগী মপু থেঞ্জাং অনীরক্তা ওইরকপা ঙম্লিবনি। পাঙথোক্লগদবা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্টকী মীখল অমসুং কুমজা ২০২৪গী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনসু মাঙদা তাদুনা লৈরিবনি হায়বসু শোয়দনা খঙলমগনি। অদুবু পূম্নমকসি মমুৎ-তানা খঙনা-খঙনা শৌগৎনরকপা পার্টিশিংগী মনুংদগী এম এল এ ৫ খক্তমক লৈবা এন পি এফতা মিনিষ্টরিএল বর্থ ২ পীশিল্লগা লেমহৌরিবা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর ১০না বি জে পিনা পুল্লপ লৌবা শোয়দনা ওইরমগনি। ওইহল্লক্লিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভমসিদি অন-কন্দিসনল সপোর্ট তৌনরক্লিবশিং অসিনা করিগুম্বা হন্দোক্লখ্রবসু বি জে পিগী ৩২গা এন পি এফকী ৫গা পূন্না ৩৭না মরক্তবু শেৎন-খাইনরক্তুবদি চহী ৫গী টর্মদি খুয়া তুশিৎনা চৎলগনি হায়বনি। মসিদি তৌথোরকপা থবক্লা তাকপনি। ওইনীংবা ওইসনু, দেমোক্রেসিগী মেজিক নম্বরগী ৱাফম ফাওবা লাক্লগসু বি জে পিগা এন পি এফকগী মরক্তা লৈরিবা মরিগী লংলা অসিনবু মফোন থোরক্তুনা তৎলকত্রিবা ফাওবদি শাংলবা চহী ৫ চৎকদবা লৈঙাকসিগী লম্বীদা খোঙলৌ-পলহৌবা নৎত্রগা খুদি থিবগী থৌদোক্তি থোক্কদবা মান্দ্রে। থোক্তবসু ওইসনু। অনৌবা লৈঙাক্না শেঞ্জা-থুমজা য়াওদবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা ওইহনগনি হায়দুনা ৱাশক্তুনা লিংলক্লিবা লৈঙাকসি পুন্সি-নুংশাংবা, তেক্তা কায়দবা ওইহন্নবা হোৎনহন্নীংই। নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা এক্সন-প্লান ১০০ হায়বদুসু মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙম্নবা হোৎনহন্নীংই। লৈবাক মীয়ামদি লাইনি। মখোয়গী খোল্লাওদি লাইগী খোল্লাউনি। ফরগনা ফৈ হায়রক্কনি, ফৎত্রগনা ফত্তে হায়রক্কনি। মীয়ামদা চিরোন-খারোন তৌরুবনা কান্নরোই। হুমনীংবা মায়কৈদা হুমদুনা পুননবা হোৎনবদা খরখক য়াওরকপদুনা মীয়াম পূম্নমক লোইনা পুনীংবা মায়কৈদা পুবা য়াগনি খনবদি লানগনি। মসি খঙনা থবক পাঙথোকউ।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) **“তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।”** শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **“অরোইবা খোঙচৎ”** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***“সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **“চেরৈ”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***“অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ’ গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।”*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# মণিপুরদা হঙ্গাম থাওগী মীল চাউনা পায়খৎপগী মতম ওইদ্রিব্রা?

– এস সুমঙ্গল –

ইপা ইপুগী হাক্তক্তগী মণিপুরদা হঙ্গাম থাও য়াম্না পাম্না চানরকপা মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। অনৌবা পুথোক্লরক্লিবা ৱাখল্লোন্দা হঙ্গাম থাও নৎত্রগা অতোপ্পা থাও চাবা ফত্তে হায়না হায়নরবসু মপান্দগী মমল হোঙনা পুশিল্লক্লিবা পাল্ম ওইলদগীদি হঙ্গাম থাওনা মগুন য়াম্নমক হেল্লি। থাও য়াম্না চাবনা হকচাংদা ফত্তে হায়নরিবা ফত্তবা কোলেষ্টেরোল (এল দি এল) কা হেন্না শিংলিশিংদা তুংশিল্লক্তুনা হার্টকা মরী লৈনবা লায়নাশিং দাইবেটিস, অতোপ্পা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগী খুদোংথিবশিং থোকহনবা য়াবা সেচুরেটেদ ফেটি এসিদ হঙ্গাম থাওদা য়াওবগী চাং অসি অতৈ অতোপ্পা থাওশিং খুদম ওইনা য়ুবী থাও, পাল্ম ওইলদগীদি হন্থে। কা হেন্না চাদ্রগদি হঙ্গাম থাওসু অফবা থাওনি হায়না লৌনরিবনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে হঙ্গাম থাও চাবা তোকপদি য়ারোই। মসিদা হকচাংগী কান্নরবা পাঙ্গল (এনর্জি) পীবা তঙাইফদবা ন্যুত্রিএন্টশিংদা চল্লিবা ফেট এন্দ ওইল হায়বদু পীরিবনি। অমরোমদা হঙ্গাম মরূগী চন্নফমদি ময়াম্না হেন্না খঙনরবনি- আচার শেম্বা, থাও শুংবা, থাওথীনা শা-ষণ, ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা, হার ওইনা শীজিন্নবগা লোয়ননা সাপোন শাবা, গ্রীজ শুংবা, ল্যুব্রিকেন্ট ওইনা শীজিন্নবা, আয়ুর্বেদকী হীদাকশিং শেম্বা অসিনচিংবা হীরম কয়াদা শীজিন্নরিবনি।

মীয়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা ৱাফম অমনা মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদা লৈরিবা ফৌ থানরিবা মফমশিং অসি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা মথংগী ফৌ থাদ্রিফাওবা ইহাঙ হাঙদুনা লৈ, ফৌ হেক লোকখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা মতম তেনবা মহৈ মরোং অনীরক লোকপা নংই, চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা হোৎনবা য়াই হায়বনচিংবা কয়া অমনি। খুদোংচাবা ফংবা মফমশিং, থৱাই য়াওবা লৌমী ইচিন ইনাওশিং লৈবা মফমদদি মিকুপ অমা ফাওবা হাঙহন্দনা ঐখোয়গীদমক লেপ্পা লৈতনা মখল কয়াগী চিঞ্জাক পুথোক্তুনা মশাগী শেন্দাল লম্বীসু ওইরি। খুদম ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুল, খোইজুমান, ক্বাসিফাই, ৱাবগাই, ৱাংজিং, হৈরোক অসিনচিংবা পনবা য়াই। মখোয়সু খুদোংথীবা কয়া নংদবদি নত্তে। ঈশিংগী (হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপগী) হার ফংদবগী অসিনচিংবা। অতৈ মফমশিংদসু অদু মঙাই ঈশিং য়াওদনা পাম্বী থাবা য়াদে। হেল্লবসু দ্রেনেজ ফৎত্রবদি অমুক ফৌ নত্তনা অতৈ পাম্বীদি ঈশিং থুমজিল্লবদি হিংবা ঙমদে হায়বসি পূম্নমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি।

মণিপুরদা হঙ্গাম থাও অসি মপান্দগী অয়াম্বা পুশিল্লক্তুনা চানরি। মণিপুরদা থারিবা চাং অসিনদি কোন্নবা শুকঙম ঙমদে। মমাঙঙৈদগী হৌনা মণিপুরদসু হঙ্গাম থাও, হঙ্গাম মরূদগী পুথোক্তুনা অদুমক চানরকপগী ৱারী লৈ। অদুমকপু থাও পুথোক্লবা হঙ্গাম থাদুনা মণিপুরগী হঙ্গাম থাও কোন্ননবা থাবগী ৱারীদি ঙসি ফাওবা তাবা ফংদ্রি। হোৎনবদি লেপত্রি পান্দম য়ৌবদি ঙসি ফাওবা ঙমদ্রি। ঙম্বগী থাজবদি লৈ। লৌমীনা পুথোক্কদবনি, পুথোক্লবগী খুদোংচাবদি মপূং ফানা লৈত্রি। করিনো ৱাৎলিবসে? খুদিংমক্না খঙলমগনি। ৱাখল খন্থমিন্নবগী মতম য়ৌরে/হেনখিগদৌরে। হঙ্গাম থাবদা নিংথিনা মপূং ফানা লোক্লবা করি চঙই? অখঙবা কয়া অমা লৈ অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপা মথৌদি তারি। চঙলিবসি লম, অফবা হঙ্গাম মখলগী অফবা মরূ, থাবগী কাঙলোন, ঈশিং, পাম্বীগী মচিঞ্জাক, থাও শুংফম, শেন্দোং লৈনা য়োনফম অসিনচিংবা অসিনি হায়না থমজগে। মরী লৈনবা পূম্নমক্কী পুকচেল শেংনা হোৎনবা অসিমদি খরা ৱাৎলিব্রা হায়না খল্লি। কনানা করম্না ওইথোকহনগনি? মরী লৈনবা মীয়ামদা থমজরে।

মণিপুরগী মীশিং অসি কুমজা ২০২২দা লাখ ৩১গা লিশীং ৪০ য়ৌরে হায়না থেংনৈ। তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীনরবসু হঙ্গাম থাও অসি মী অমনা নোংমদা মিলি ৫দি চরা অমদা চাবা য়াইসু/তঙাইফদেসু হায়রি। চাং অসিদা পাবদা নোংমদা চঙগদবসি লিটর ১৫,৭০০নি। চহী অমদদি লিটর ৫৭৩০৫০০নি। অফবা হঙ্গাম মখলশিংগী মরূ হায়বদি থাও য়াওবগী চাং ৩৫-৪০% ওইবা মখলশিংদগী থাও শুম্বদা লিটর অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা নিংথিনা শুম্বদা হঙ্গাম মরূ কিলো ২.৫ চঙই। চহী অমগী থাও চঙগদবা লিটর ৫৭৩০৫০০ ওইরবদি থাও মরূ কিলো ১৪৩২৬২৫০ পুথোকফম থোক্লে। লৌ পরি অমদা কিলো ১৩৭৫ থোক্লবদি পান্দম অসি ফংনবা লৌ পরি ১০৪১৯দা হঙ্গাম থাবা তাই। থাও শুম্বগী অফবা মিল ওইদ্রগনা থাও লিটর অমা পুথোকপদা মরূ কিলো ৩ চঙলগনা মরূ কিলো ১৭১৯১৫০০ পুথোকপা তাই। মসি ওইরগনা পরিদা কিলো ১৩৭৫ থোকপা চাংদা লৌ পরি ১২৫০২-৩দা হঙ্গাম থাবা তাই। মসিদদা মণিপুরগী অচা থাও হায়না খঙনরিবা হঙ্গাম থাও কোন্নগনি। পারিবা মীশিং অসি নুপী অঙাং পূন্না পাবা মরম্না অঙাংগী শরুক্তা হন্থরগা মসিদগী খরা হন্থনা চঙবসু য়াই। পারিবা হঙ্গাম মরূগী পোথোক অসি মণিপুরগী ওইনা য়েংলুরগদি খরা হেন্না পাবনি। চাংচৎতা মণিপুরগী ওইনদি পরিদা কিলো ৭০০-৮০০দগী হেন্না পুথোকপদি খরা ৱাৎলি। পরিদা চাংচৎতা কিলো ৮০০ থোকপদা কিলো ১৭১৯১৫০০ পুথোক্লবগীদমক লৌ পরি ২১৪৮৯দা হঙ্গাম থাওগীদমক হঙ্গাম থাবা তাই। মসিদি য়াম্না লায়বা থবক অমা ওইবসু য়াই। মতম অমদা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর মণিপুরনা কুমজা ২০১০দা লৌ পরি ৫৬০০০দা জিরো টিলেজ মেথোদতা হঙ্গাম থাদুনা মরূ পুথোকই, মরূনা কিলো ৪৩৬০০০০০ হায়না ক্লেম তৌখিবা অদু ওইরগদি ঙসি পাজরিবা মণিপুর পূম্বগী থাও চাবদা চঙগদবা মরূদগী কিলো ২৬৪০৮৫০০ হেল্লবনি। হৌজিকসু হায়রিবা চানরবা লৌফমশিং অদুদা হঙ্গাম থাদুনা হায়রিবা পোথোক অদু পুথোক্লবদি মণিপুরদা থাওগীদমক হঙ্গাম থাদুনা অফবা মিল থমদুনা মণিপুরগী মপান্দা হঙ্গাম থাও নৎত্রগা হঙ্গাম মরূ থাদোক্তুনা শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা কান্নবা অমা পুরকপগী মতম ওইরে। লৌমীশিংগী য়াইফবা হায়বদুসু ওইরগনি। মপান্দগী অচা থাও পুশিল্লক্তুনা অরেম্বা শেল কয়া অমা চৎলিবা অসিদগীসু কনবা ঙমগনি। ●

# ওক্কোন শেংদোকপগী চৎন-কাঙলোন খরা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

ওক্কোন শাবা মতমদা চাফম-থকফম অমদি কুনফম-তূম্ফম, মথি-ময়ুং ফাইফম-হানফমগা তিন্নহল্লোইদবনি। মচিঞ্জাক চাফম-থকফম বাগোসশিংদু লৈমায়দগী ৱাংহন্দুনা মথি-ময়ুংগা তোৎন-তিন্নহল্লোইদবনি। নুমিৎ খুদিংগী মতম চানা ওক্কোন মনুং-মপান অমসুং নালাগী মথি-ময়ুং শিত্তোক-চামথোকপগা লোয়ননা ওকশিংবু তরূ-তনান্না থম্বীগনি। মসিগীদমক মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি পাঙথোকপীগনি।

**- লায়না চেন্দবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :-**

ক) নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা মচিঞ্জাক থাবীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মকোন মনুংগী লৈমায়দা তাবা মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোক্কদবনি। পকশিন্দুনা লৈবা মথি মপং অদু অকনবা ব্রস নৎত্রগা শুমজিৎ অমনা তকথোক-খোৎতোক্লগা লৌথোক্কদবনি। মপংগী শরুক লৌথোক্লবা মতুংদা শুধা-সাপোন হাপ্পগা ঈশিংনা লৈমায়দু নত্তনা ওকশিংনা ফংবা য়াবা মফম খুদিংমক শেংনা চামথোকপীগনি। চাফম-থকফম বাগোশশিংদি ঈশিং অশেংবনা অমুক হন্না চামথোক্কদবনি। চামথোকপদা খূৎলোয়নবা পোলিথিন পাইপ মচা অমগী মত্তেংনা প্রেসর য়াওনা ঈশিং কাপথোকহনবীগনি।

খ) নুংথিলগী নুংশা শাগৎলকপা মতমদা ওকশিংদু ইরুজবীবগা লোয়ননা ঈশিংনা অমুক ওক্কোনগী লৈমায়, ফক্লাংনচিংবা চামথোকপীগনি।

গ) ওক্কোনগী মপান্দা লৈবা ওকশিংনা চৎফম, শান্নফম অমদি শাজেল তৌফম ওইরিবা মফম খুদিংমক্তা মথি-ময়ুং তুংশিন্দুনা লৈহল্লোইদবনি। মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোক্লবা মতুংদা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা চাইথোকপীগনি।

**- লায়না লৈবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :-**

ক) ওকোনগী মরুওইবা থোঙ লোনশিন্দুনা মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

খ) মকোন মনুংদা লৈবা মথি-ময়ুং নত্তনা কুনফম-তূম্ফম ওইনরম্বা চরূ চনাই খুদিংমক শেংনা লৌথোক্লগা মৈ থাদোক্কদবনি নৎত্রগা ওকশিংনা ফংলোইদবা মফমদা লুনা তৌদুনা ফুমজিনবীগনি।

গ) ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনচিংবদা শেংনা শেংদোক্লবা মতুংদা ফিনাইল ২% নৎত্রগা শুধা ৫% ঈশিংদা হাপ্পগা চামথোক্কদবনি।

ঘ) ওকশিংনা চঙফম, শান্নফম লৈমায়দু লৈবাক ওইরগদি ইঞ্চি ২/৩গী লৈরোল মথক থংবা লৈমায়দগী লৌথোক্লগা মফম চানা ফুমজিনবীগনি। লৈরোলদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা ফিনাইল ৫% ঈশিংদা হাপ্পগা চাইথোকপীগনি।

ঙ) ওক্কোনলোমদা চঙফম ওইরিবা লম্বী অদুসু ফিনাইল ৫% নৎত্রগা ফোর্মেলিন ৫-১০% ঈশিংদা হাপ্পগা চাইথোকপীগনি।

চ) ওক্কোনগী মরুওইবা চঙফম গেট মমাঙদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিন্নবা ফিনাইল ১০% সোলুসন থমগনি।

ছ) ওক্কোনগী মনুং মপান অনীমক্তা দিসইনফেক্টেনশিং নোংমদা অনীরক চাইথোকপীগনি।

**- মথি-ময়ুং মফম চানা য়েংলগা পুথোকপা :-**

ক) ওক্কী ফার্ম অমা থন্নবা হোৎনবদা অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা মথৌ তাবশিংগী মনুংদা মথি-ময়ুং হুন্দোক্লবা মফম চানা খনবা য়াম্না মরু ওই। নোংমদা ওক অচৌবা ১০না মথি কিলো ৩৫-৪০ ফাই অদুগা ময়ুংনা লিটর ৬০-৭০ রোম হান্দোকই। ওক য়াম্না থমদবা ওইরগদি ইঞ্জোলনচিংবা মফমদা হৌবা পাম্বীশিংগী হার ওইনা পুথোকখিবা য়াই। অদুবু লায়না লাকপা মতমদদি মসিনা লায়না শন্দোকহনবা য়াবগী ৱাফম লাকই। খ্বাইদগী ফবদি বাইওগ্যাসকী প্লান্ট ওইনা টেঙ্ক অমা চল্লগা নুংশিৎ চংহন্দনা পৈশিন্দুনা থন্নবদি লায়না তীলনা শন্দোরকপা থিংবদা নত্তনা মিথেল গ্যাস থোকহন্দুনা মৈ ওইনা শীজিন্নবা ঙমই। ওক ২০গী মথি-ময়ুংদা নোংমদা মিথেল গ্যাস লিটর ৩৫০০ রোম পুথোকপা ঙমই। অসুম্না নুংশিৎ চঙহন্দনা লৈরোন মনুংদা পৈশিন্দুনা থন্নবদি লায়না অয়াম্বগী হৌরকফম ওইরিবা মহিক মতাং লোইনা হোৎতোক্তুনা লায়না শন্দোকহন্দবগী পাম্বে অমা ওই।

খ) ফার্মগী অকোয়বা অমসুং মনুংদা অতোপ্পা মপানগী মীওই, হুই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি লম শানচিংবা চঙহল্লোইদবনি। মীতোপশিং ফার্ম মনুংদা চঙবা তারগদি খোঙউপ, ফিনাৎ অমসুং মফি-মরোল হোংদোকহনগদবনি। লোয়ননা ফার্মগী ম্যেন গেটতা থম্বা দিসইনফেক্টেন সোলুসনদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিল্লগা মনুংদা চঙহনগদবনি। অদুবু ওক্কী লায়না য়াম্না কন্না শন্দোরকপা মতমদদি ফার্ম মনুংদা মী চঙহল্লোইদবনি।

গ) চগুম চনাই অমদি শা-ঙা শেম শাবগী মহি-মচুম, অরেম-অতানা মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা তারবদি মশক খঙবা মফমদগী লৌগদবনি। চগুম মরক্তা চুরুট, বিড়ি, খৈনি, জর্দা, সর্ফ-সাপোন অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা হু ওইগদবা পোৎশক য়াওহল্লোইদবনি। চগুম-চনাই খুদিংমক পীজদ্রিঙৈগী মমাঙদা চামথোকপীরগা শৌদোকহল্লবা মতুংদা পীজবীগনি।

ঘ) অমোৎপা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিং কৈদৌঙৈদসু ওক্কী পীজ-পীথক্কী ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

ঙ) শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপি-শিংবী ওক্তা পীজবিরোইদবনি। থাদোক্তুনা লোইবা ওকশিংগী শজিক চাফম অমদি শান্নবুং থা ৩ খুদিংগী হোংবীগনি।

মথক্তা থমজরিবা থৌরাংশিংসি ওক লোয়বীরিবা মীওইশিংনা পাঙথোকপীদুনা মায় পাক্লা শেন্দোং লৈনা ওক লোয়বীগনি। ●

# ওর্গানিক ফার্মিংদা মায় ওনশিনবদা ত্রাইকোদর্মাগী মরু ওইবা

ডা. ৱাইখোম জিতেন

খূৎশেমগী হার অমসুং তীলহাৎ হীদাক মখল কয়া শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবগী পোথোক পুথোক্তুনা মীয়ামগী চাবা কোন্ননবা হোৎনরুবগী মহয়না ঙসিদি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিং নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাওদা নোংম-নোংমগী মোৎশিল্লক্লি। অসুম্না মোৎশিল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঐখোয়দা কান্নবা পীবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিস) মখল কয়াগী মশীং অঙকপা ফংনা হন্থহনখ্রে। অসুম্না মোৎশিল্লকপা অসিনা লৈবাক লৈহাওনা পোথোক পুথোকপা ঙম্বগী শক্তি হন্থহল্লি অমদি অতোপ্পা লেংলি-পাল্লিবা জীবশিংনা হিংবদা খুদোংচাদবা মফম অমা ওইহল্লি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা ঙসিদি খূৎশেমগী হার অমসুং খূৎশেমগী হীদাক লাংথক য়াম্না য়াওদবা নৎত্রগা শুংয়াও য়াওদবা মওংগী লৌউ কাঙলোনলোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি। অসুম্না খূৎশেমগী হার অমদি খূৎশেমগী হীদাক লাংথক শুংয়াও য়াওদবা নৎত্রগা য়াম্না য়াওদবা অনৌবা লৌউ-কাঙলোন অসিগীদমক পাম্বীগী মচিঞ্জাক ফংহন্নবগী পাম্বে অমা ওইনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বে অমা ওইনা পাম্বীশিংবু শাহৌ ফনা হৌহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং পুথোকপা ঙম্বা অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা হু চেনবা পোৎলমশিংবু ময়াই চমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। অসুম্না কান্নবা পীবা হিংকুপশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা কোকফাই মখল অমা পনবা তারবদি ত্রাইকোদর্মাসু অমনি।

পাম্বী-শিংবী অমদি শা-ঙাশিংনা শিরবা মতুংদা পথু-পুমথদুনা লৈবাক লৈশাদা তিনখি অমদি থৌওং অসি চথবদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিং মখোয়গী অকোয়বদা থাদোরকই। অসুম্না মহৌশানা লৈরিবা পোৎলমশিং অসিনা পথু-পুমথবদা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা হিংকুপশিং অসিনা মতেং পাংই। লৌউ-শিংউবগী লেমহৌখাক অমদি শা-ষণগী মথি ময়ুংশিংদগী হার শেম্বা মতমদা ত্রাইকোদর্মা অসি শীজিন্নবা য়াই। ত্রাইকোদর্মানা পাম্বীশিংদা য়াওরিবা লিগনোসেল্লুলোস কৌবা মচাকশিং অদু পথুহনবদা মপূং ওইবা থৌদাং য়াই। ত্রাইকোদর্মাশিংগী মনুংদা Trichoderma harzianum অসি কম্পোষ্ট শেম্বদা শীজিন্নবা য়াবা ত্রাইকোদর্মা মখল অমনি। ত্রাইকোদর্মা মখল খরদি ফোসফরস অমসুং মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিং ফংহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা য়াম্না লুনা চৎপা মরাগী মশীং হেনগৎহন্দুনা ইকংগুম্বা থেংনবদা মতেং পাংই।

ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হু চেনবা হীদাক লাংথকশিংগী লেমহৌখাকশিং হু চেন্দবা মওংদা ওন্থোকপদা ত্রাইকোদর্মানা মতেং পাংই।

ত্রাইকোদর্মা তোৎলবা মরূশিং হেন্না থুনা মতোন চোংই। লোয়ননা তুম্বা ঙমদবা ফোসফরসশিং তুংহন্দুনা অতোপ্পা হিংকুপশিংনা নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন ফাজিনবদা মতেং পাংই।

ঐখোয়গী লৌফমদা ত্রাইকোদর্মাগী মশীং য়াম্না লৈরবদি লৌফম অদুদা লৈবাক্তগী পোকহনবা পাম্বীদা লায়না পোকহনবা ঙম্বা অতোপ্পা জীবশিং লৈবগী চাং হন্থহল্লি। মরম অদুনা মরূ হুনদ্রিঙৈদা ত্রাইকোদর্মা তোৎহৌরবদি চারা ওইগদবা পাম্বীশিংদা লৈবাক্তগী পোকপা লায়না তাবগী চাং নেমই। ত্রাইকোদর্মানা লায়না পোকহনবা ঙম্বা হিংকুপশিংবু হিংদুনা লৈবদা চাওখৎহনবদা অমদি পাম্বীশিংদা লায়না পোকহনবদা অথিংবা পী।

ত্রাইকোদর্মানা পাম্বীশিংবু থুনা চাওখৎপা ঙম্বা পোৎলমসি পুথোক্তুনা পাম্বীশিংনা থুনা চাও-খৎপদা মতেং পাংই।

ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নবগী মওং :- মরূদা তোৎপা : হুনগদবা মরূশিংদা ত্রাইকোদর্মা তোৎলগা ওনবীবা অমদি হৌজিক্কী মতম অসিদা শোয়দনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌরম অমা ওইরে। হুনগদবা মরূ কেজি অমগীদমক ত্রাইকোদর্মা গ্রাম ৫-১০ ফাওবগী চাংদা লৌবীরগা ঈশিং খরগী মতেংনা নং-নং লাওনা শেম্বীরবা মতুংদা মরূশিং অদু তোৎশিনবীয়ু। অসুম্না তোৎলবা মরূশিং অদু উরুম অমদা মচুম কংশিনহনবীরগা হুনবীয়ু।

চারা হুনফমদা : মিটর ১০ পাকপা, মিটর ১০ শাংবা চারা হুনফম অমদা শীজিন্ননবগীদমক শেল্লবা ত্রাইকোদর্মা গ্রাম ১০-২৫ গুম্বগা ষন্থি-ষণয়ুং কেজি ১-২.৫ গুম্বগা য়ানশিন্নরগা চাইথোকপীরবদি লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

চারা থারমদাইদা : থাদোক্কদৌরিবা পাম্বী চারাগী মরা অদু নৎত্রগা অককপা মককশিং অদু ঈশিং লিটর অমদা ত্রাইকোদর্মা গ্রাম ১০ অমদি ষন্থি-ষণয়ুংগী হার গ্রাম ১০০গা য়ানশিন্নরগা শেম্বা মহীদা মিনট ১০ মুক তিংবীরগা থাদোকপীরবদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

লৌফমদা হাপ্পা : ষন্থি-ষণয়ুং কেজি ২৫০-৫০০গী চাংদা লৌবিরগা মদুদা ত্রাইকোদর্মা কেজি ২.৫-৫ ফাওবগী চাং লৌবীদুনা তোৎশিনবীরবা মতুংদা নুমিৎ ৭নি গুম্বা পোলিথিন শীট অমনা খুমজিন্দুনা থম্বীগনি। মদুগী মখা তারকপা নুমিৎ ৩-৪নিগুম্বা ত্রাইকোদর্মা তোৎলবা ষন্থি অদু মথক মখা ওনবীগনি। করিগুম্বা ঈনিল ৱাৎলবদি (য়াম্না কংবগী মওং ওইরবদি) নোংমা নোংমা কান্নরগা ঈশিং খরা খরা খিকপিগনি। অসুম্না শেল্লবা পোৎলম অসি লৌ পরি অমদা নুমিদাংৱাইরমদা চাইথোকপীগনি অমদি থুনা লৈবাক্তা তোৎশিনখিনবা খোইজিনবীগনি।

অহৌবা পাম্বী : অহৌবা উ পাম্বীশিংগী মখোঙদা ত্রাইকোদর্মা য়াওরবা ঈশিংশিং হৈবীবা মতমদা ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নবগী কান্নবদু চপ চানা ফংই। থৌওং অসিগীদমক ঈশিং লিটর অমদা ত্রাইকোদর্মা গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিনবীরগা শীজিন্নবীবা য়াই।

ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নবদা চেকশিনবীগদবশিং: (ক) ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নরবা মতুং নুমিৎ ৪-৫নিগী মনুংদা অতোপ্পা কোকফাই হীদাকশিং শীজিন্নবীরোইদবনি। (খ) য়াম্না কঙবা লৌফমশিং ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নবীরোই। (গ) ত্রাইকোদর্মা তোৎলবা ষন্থি অদু শীজিন্নদনা কুইনা থম্বীরোইদবনি।

ত্রাইকোদর্মা অসি অতোপ্পা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিংগা পূন্না শীজিন্নমিন্নবা য়াই। ওর্গানিক ফার্মিংগী মায়কৈদা পুরক্লবগীদমক লৌউ-শিংউবদা ত্রাইকোদর্মা শীজিন্নবা হৌবগী মতম য়ৌরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।